# এয়রপোর্টশিংদা চেকশিন থৌরাং লৌখৎখ্রে



ন্যু দিল্লি, জান্যুৱারী ১১ (এজেন্সী):

রিপব্লিক দে মমাঙদা টেররিষ্টশিংনা এটেক চথুরকপা য়াই হায়না ইন্টলিজেন্স এজেন্সীশিংনা রিপোর্ট পীরকখ্রবা মতুংদা লৈবাক্কী তোঙান-তোঙানবা মফমদা লৈরিবা এয়রপোর্ট খুদিংমক্তা সিক্যুরিটিগী অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎখ্রে।

টেররিষ্টশিংনা সিক্যুরিটি পার্সনেলগী ফিজোল শেৎলগা লাকপা য়াই হায়না ইন্টলিজেন্স এজেন্সীশিংনা মরী লৈনবা ওঠৌরিটিদা পাউ পীরকখি। ব্যুরো ফোর সিভিল এভিয়েসন সিক্যুরিটি (বি সী এ এস) না হায়খি মদুদি, সিক্যুরিটি পার্সনেলগী ফিজোল শেৎতুনা লাকপা টেররিষ্টশিংনা এয়রপোর্টকী টর্মিনেলদা চঙলক্লগা খুদোংথীবা থৌদোক কয়ামরুম থোকহল্লকপা য়াই।

বি সী এ এসকী ওফিসল অমনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম পল্লদুনা এজেন্সীগী পাউনা হায়, সিক্যুরিটি পার্সনেল খরদি এয়রপোর্ট মনুংদা চঙনবগী এন্ত্রি পাস পায়। সেন্ট্রেল ইন্দষ্ট্রিএল সিক্যুরিটি ফোর্স (সী আই এস এফ)না এয়রপোর্টতা চঙলকপা সিক্যুরিটি পার্সনেল খুদিংমক নীংথিনা চেক তৌবগা লোয়ননা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎফম থোকই।

জান্যুৱারী ২৬ তা পাঙথোক্ক-দৌরিবা লৈবাক্কী রিপব্লিক দে থৌরম মমাঙদা পাকিস্তানদগী চঙলকপা টেররিষ্টশিংনা এয়রপোর্ট অমদি মরুওইবা মফম খরদা এটেক চথুরকপা য়াই হায়না রিপোর্ট পীরকখ্রবা মতুংদা এয়রপোর্ট ঙাক্লিবা সিক্যুরিটি পার্সনেল খুদিংমক মীৎকুপ নাহুম শিংনা লৈনবা খঙহনখিবনি। হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতসু মুম্বাইদগী ক্বালা লম্পুর তম্না পায়গদবা ফ্লাইট অমদা বোম য়াওরে হায়না ইন্টরপোলনা রিপোর্ট পীরকখ্রবা মতুংদা এয়রপোর্ট ঙাক্লিবা সিক্যুরিটি পার্সনেলশিং মীৎকুপ নাহুম শিংনা লৈখি। সিক্যুরিটি এজেন্সীশিংনা এয়রক্রাফট অহুমদা য়াওরম্বা চিংননিংঙাই ওইবা পোৎশক খুদিংমক কুপ্না য়েংশিনবগা লোয়ননা পেসেঞ্জর ৪০০ হেনবসু চেক তৌখি। থৌদোক অদুনা মরম ওইরগা মালেসিয়া এয়রলাইন্সকী ফ্লাইট ২ অমসুং মালিন্দো এয়রগী ফ্লাইট অমা মতম থেংথনা পাইখি।

সী আই এস এফকী দিরেক্টর জেনরেল ও পি সিংহনা হায়খি, ক্বালা লম্পুর তম্না পাইগদবা প্লেন অমগী মনুংদা বোম য়াওরে হায়বা রিপোর্ট অমা ইন্টরপোলনা সী বি আইদা পীরকখি। পাউ অদু হেক ফংবগা ক্বালা লম্পুর তম্না পাইগদবা ফ্লাইট খুদিংমক নীংথিনা চেক তৌখি।

জান্যুৱারী ২৬ তা পাঙথোক্ক-দৌরিবা লৈবাক্কী রিপব্লিক দে নুমিৎকা মরী লৈননা এয়রক্রাফটশিংদা এটেক চথুরকপা য়াই হায়বা রিপোর্ট অমা হান্নসু ফংবা লৈখ্রবনি। ইন্টরপোলনা থাজনিংঙাই ওইবা রিপোর্ট পীরকখ্রবা মতুংদা অতোপ্পা ছোর্স অমনসু এয়রক্রাফটতা বোম য়াওরে হায়না রিপোর্ট পীরকখি। মুম্বাই ইন্টরনেসনল এয়রপোর্ট প্রাইভেট লিমিটেদকী কন্ট্রোল রূমদা শকখঙদবা মীওই অমনা ফোন তৌরক্তুনা ক্বালা লম্পুর তম্না পাইগদবা প্লেন অমদা বোম য়াওরে হায়না পাউ পীরকখিবনি।

ভোইস ওভর ইন্টরনেট প্রোটোকোল (ভি ও আই পি)গী খুত্থাংদা ফোন তৌরকখিবা মরম্না পাউ পীরকখিবা মীওই অদু কনানো হায়বা খোঙ্গুল লীনবগী পাম্বৈ লৈখিদে। পাউ অদু হেক ফংবগা সিক্যুরিটি এজেন্সীশিংনা ক্বালা লম্পুর তম্না পাইগদবা মালিন্দো এয়রগী ফ্লাইট, মালেসিয়া এয়রলাইন্সকী ফ্লাইট অমসুং এম ঐচ -১৮৭ তা পেসেঞ্জরশিং কুমথহল্লগা চেক তৌখি।

# প্রাইম মিনিষ্টরগী মথক্তা থাঙ্গৎলকখিবা পিটিসন সুপ্রিম কোর্টনা রিজেক্ট তৌখ্রে



ন্যু দিল্লি, জান্যুৱারী ১১ (এজেন্সী):

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং অতোপ্পা পোলিটিসিয়ন খরনা অদিত্য-বিরলা গ্রুপ অমদি সাহারাদগী শেল লৌখি হায়না মরাল শীরদুনা হীরম অসিগী মতাংদা থিগৎহন্নবা পিটিসন অমা ফাইল তৌরকখিবদা সুপ্রিম কোর্টনা রিজেক্ট তৌখ্রে।

‘কমন কোজ’ কৌবা এন জি ও অমনা সুপ্রিম কোর্টতা ফাইল তৌরকখিবা এফিদেবিট অমগী মতুংইন্না কুমজা ২০১৩-২০১৪ দা প্রাইম মিনিষ্টর অমসুং অতোপ্পা পোলিটিসিয়ন খরনা বিজিনেস হাউস অনীদগী য়াম্লবা শেনফম অমা লৌখি হায়না মরাল শীরকখি।

সুপ্রিম কোর্টকী বেঞ্চ অমনা হায়খি, প্রাইম মিনিষ্টরগী মথক্তা শীরল্লিবা মরাল অদু য়ুম্ফম য়াওদবা মরম্না কোর্টনা রিজেক্ট তৌনবা ফিরেপ লৌরে।

অমরোমদা, পোলিটিকেল পার্টিশিংদগী ইনকম টেক্স লৌগদবনি হায়না থাঙ্গৎলকখিবা পিটিসন অমসু সুপ্রিম কোর্টনা দিসমিস তৌখ্রে।

চীফ জষ্টিশ জে এস খেহর অমসুং জষ্টিশ দি ৱাই চন্দ্রচুদনা শাবা বেঞ্চ অমনা হায়খি, পোলিটিকেল পার্টি অমনা মওং-মরিল তানা থবক পাঙথোকপা ঙম্নবগীদমক মীচম মীয়ামদগী শেল খোমগৎপগী থবক তৌই। মীয়াম্না থম্মোয় শেংনা কৎলকপা শেনফমদগী টেক্স লৌফম থোক্তে।

কুমজা ১৯৮৯ দগী হৌনা ‘পোলিটিকেল পার্টি’ হায়বা ৱাহৈ শীজিন্নরকখিবগী মায়োক্তা পিটিসন অদুনা হায়খি, কন্সটিট্যুসনদা পোলিটিকেল পার্টি হায়বা ৱাহৈ য়াওদবা মরম্না পোলিটিকেল পার্টিশিংদগী ইনকম টেক্স লৌদবগী থৌওং অসি কন্সটিট্যুসনগী মায়োক্তা লৈবা থৌওংনি হায়না লৌফম থোকই।

হীরম অসিগী মতাংদা সুপ্রিম কোর্টনা হায়খি, এগ্রিকলচরেল ইনকমদগী টেক্স লৌদবগুম পোলিটিকেল পার্টিশিংদগীসু টেক্স লৌফম থোক্তে। ইন্দিপেন্দেন্ট লো মেকরশিংসু চপ মান্নবা মওংদা খুদোংচাবা ফংহনফম থোকই হায়না পুখৎলকখিবা ৱাফম অমগী মতাংদা কোর্টনা হায়খি, পোলিটিকেল পার্টিগা মান্নদবা মওংদা কনাগুম্বা লন্নাই মীওই অমনা ইন্দিপেন্দেন্ট মরেপ ওইনা মীখল থেংনরকপা তারবদি মশাগী লন্নাই খুদোংচানবা লৌখৎলকপা থৌরাংনি হায়না লৌফম থোকই। মরম অদুনা ইন্দিপেন্দেন্ট লো মেকরশিংবু পোলিটিকেল পার্টিগা চপ মান্নবা মওংদা খুদোংচাবা ফংহনবা চুমদে।

চৈরকসিদা, ষ্টেট মঙাগী এসেমব্লি ইলেক্সনগা মরী লৈননা তোঙান-তোঙানবা পোলিটিকেল পার্টিশিংনা দুরদর্শন অমদি ওল ইন্দিয়া রেদিওদা ব্রোদকাষ্ট তৌনবগী মতম ইলেক্সন কম্মিসননা লেপখ্রে। গোৱা, পঞ্জাব, মণিপুর, উত্তরখন্দ অমদি উত্তর প্রদেশকী ওইনা রিজনেল কেন্দ্রশিংনা নেসনল পার্টি অমসুং শকখঙলবা ষ্টেট পার্টি খুদিংমক্তা মিনিট ৪৫গী মতম পীগদবনি হায়না কম্মিসননা ফোঙদোকখি।

# জম্মু এন্দ কাশ্মীরদা ৭শুবা পে কম্মিসনগী রেকমেন্দেসন চৎনহল্লগনি

জম্মু, জান্যুৱারী ১১ (এজেন্সী):

জম্মু এন্দ কাশ্মীরদা মথং চহীগী এপ্রিলদগী তরেৎশুবা পে কম্মিসনগী রেকমেন্দেসন মপুং ফানা চৎনহন্দুনা গভর্ণমেন্টকী ইমপ্লোয়ী অমসুং পেন্সনর লাখ কয়ামরুমগী লোলোপ চাদা ২৩.৫ হেনগৎহল্লগনি হায়না ফাইনান্স মিনিষ্টর হাসিব দ্রাবুনা ফোঙদোকখ্রে।

ষ্টেট এসেমব্লিদা বজেট পুথোকপগা মরী লৈননা ৱা ঙাঙখিবদা মিনিষ্টরনা হায়খি, সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা চৎনহনখিবা পে কম্মিসনগী রেকমেন্দেসন অদুমক ষ্টেট অসিদা মপুং ফানা চৎনহন্নবা ফিরেপ লৌরে। মমাঙ চহীগী জুন থাদা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকী ইমপ্লোয়ী খুদিংমক ৭শুবা পে কম্মিসনগী রেকমেন্দেসন মতুংইন্না তোলোপ হেনগৎহনখিবগা লোয়ননা খ্বাইদগী য়ামদবা থাগী তোলোপ লুপা ৭,০০০ তগী ১৮,০০০ ওইহনখিবনি। খ্বাইদগী য়াম্বা তোলোপনা লুপা লাখ ২.৫ ওইহনখি।

লৈবাক অসিগী কেবিনেট সেক্রেটরিনা থাগী তোলোপ লুপা ৯০,০০০ ফংলম্বদগী লুপা লাখ ২.৫দা হেনগৎহনখি। সেক্রেটরিগী থাক্তা লৈবা অতৈ ওফিসরশিংনা থাগী তোলোপ লুপা লাখ ২,২৫,০০০ ফংহনখি।

ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা পায়খৎকদবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদা ফাইনান্স মিনিষ্টরনা হায়খি, ট্রেজরি ওফিস হায়রম্বদগী পে এন্দ একাউন্টস ওফিস (পি এ ও) হায়না ওন্থোকপগা লোয়ননা ইমপ্লোয়ীশিংগী তোলোপ অমসুং পেন্সনরশিংগী পেন্সন পীবগী থবক থৌরম মওং-মরিল তানা য়েংশিল্লগনি।

ওর্দিট তৌনবগীদমক ট্রেজরিদা বিল, চলান অমদি ইনভোইস পুরকপগী মহুৎতা কম্প্যুটরাইজ ইন্টিগ্রেটেদ ফাইনান্সিএল মেনেজমেন্ট সিষ্টেম (আই এফ এম এস)না থবক থৌরম পুম্নমক ওনলাইনদা মপুং ফানা য়েংশিল্লগনি। লাক্লিবা ওক্টোবর ১ দগী অনৌবা সিষ্টেম অসি চৎনহনবা হৌবগা লোয়ননা মথং চহীগী মার্চ ৩১ দা লোইশিন্নবা পান্দম থম্লি হায়না মিনিষ্টরনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

ষ্টেট এসেমব্লিদা বজেট পুথোক্লদুনা মিনিষ্টরনা হায়খি, জম্মু এন্দ কাশ্মীরদা থবক থিরিবা মীওই খুদিংমক তঙাইফদনা আধার কার্দ পায়দবা য়াররোই। কন্ট্রেকচ্যুএল লেবরর খুদিংমক রেগ্যুলরাইজ তৌনবগী মতাংদা গভর্ণমেন্টনা অখন্নবা থৌরাং লৌখৎপা হৌরগনি। ফেব্রুৱারী ১০ ফাওবগী মনুংদা গভর্ণমেন্টকী দিপার্টমেন্ট খুদিংমক ফন্দ এলোকেসনগী চাদা ৫০ ফংহন্নবা হোৎনরগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

পব্লিক ট্রান্সপোর্ট ওপরেটরশিংগী মতাংদা মহাক্না হায়খি, লাক্লিবা জুলাই থাদগী হৌরগা পব্লিক ট্রান্সপোর্ট ওপরেটরশিংদগী থা ৬কী ওইনা টোকন টেক্স লৌবগী থৌওং চত্থদনবা গভর্ণমেন্টনা ৱারেপ লৌরে।

# শেনয়েক অনী চৎনহনখিদবগী থৌওং অচৌবা লৌতুনবা অমনি : রাহুল গান্ধী

ন্যু দিল্লি, জান্যুৱারী ১১ (এজেন্সী):

দিমোনেটাইজেসনগী মতাংদা কোংগ্রেসকী ভাইস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিবু অমুক্কা হন্না মরাল শীখ্রে।

বি জে পিনা লুচিংবা এন দি এ গভর্ণমেন্টপু মরাল শীরদুনা রাহুলনা হায়খি, শেনয়েক অনী চৎনহনখিদবগী থৌওং অদু অচৌবা লৌতুনবা অমনি হায়না লৌবা য়াই। জন বেদনা সমেলনদা ৱা ঙাঙখিবদা রাহুলনা হায়খি, বি জে পিনা ‘অফবা নুমিৎ’ য়ৌরক্লগনি হায়না তোয়না লাউরবসু মীয়ামগী অৱাবদি নোংম-নোংমগী হেঞ্জিল্লক্লি। কুমজা ২০১৯ দা কোংগ্রেসনা মীখলদা মায় পাক্তুনা গভর্ণমেন্ট শেম্লবা মতমদা অশেংবা মীয়ামগী ‘অফবা নুমিৎ’ থুংলরগনি।

য়াম্না থাজদবা মওংদা এন দি এ গভর্ণমেন্টনা নবেম্বর ৮ দা লুপা ৫০০ অমসুং লুপা ১০০০ চৎপী চৎনহনখিদবগী থৌওং অদুনা মীচম মীয়ামদা চাওনা খুদোংচাদবা মায়োক্কহনবগা লোয়ননা লৈবাক্কী শেল-থুমগী ফীভম শোকচিলহল্লে হায়না কোংগ্রেসনা মরাল শীদুনা লাকখিবনি।

শেনয়েক অনী চৎনহনখিদ্রবা মতুংদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা পীখিবা নুমিৎ ৫০নিগী মতম হৌখ্রবা মতুংদা রাহুল গান্ধীনা হায়খি, দিমোনেটাইজেসনগী শরুক অমা ওইনা ব্লেক মনি কয়া য়াম্না খোমগৎপা ঙল্লবগে হায়বদু গভর্ণমেন্টনা লৈবাক মীয়ামদা ময়েক শেংনা খঙহনবা ঙমদ্রি। মথোং হুক্তবা থৌওং অদুনা মরম ওইরগা মীচম মীয়ামগী অৱাবা নোংম-নোংমগী হেনগৎলক্লি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি, অনৌবা চহী হৌবগা মরী লৈননা মপান লৈবাক্তা কোইরুবা কোংগ্রেসকী ভাইস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীনা ঙরাং ন্যু দিল্লিদা হল্লকপগা মীয়ামদা চহী হৌবগী য়াইফ পাউজেল পীখিবনি।

মরকসিদা, রাহুল গান্ধীনা পার্টিগী সিনিয়র লীদরশিংগা উনদুনা পঞ্জাব এসেমব্লি ইলেক্সনদা মীরেপ ওইনা থাগৎকদবা মীওই ৪০গী মিং লাউথোক্লবগী মতাংদা থৌরাং তৌখি।

লৈবাকপোকপা নুমিৎতা পাঙথোকখিবা কোংগ্রেসকী সেন্ট্রেল ইলেক্সন কম্মিটিগী মীফমদা পার্টিগী প্রসিদেন্ট সোনিয়া গান্ধী, পঞ্জাব প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট অমরিন্দর সিংহ অমদি অতৈ মকোক থোংবা লুচিংবা কয়াসু শরুক য়াখি। এসেমব্লি সীট ১১৭ লৈবা পঞ্জাবতা কোংগ্রেসকী মীরেপ ওইগদবা মীওই ৭৭কী মিং মাঙজৌননা লাউথোকপা লৈখ্রবনি। ক্রকেটর ওইরম্বদগী পোলিটিক্সতা খোঙদারকখিবা নবজোট সিনহা সিধুনা অমৃটসর ইষ্ট কন্সটিট্যুয়েন্সিদা মীরেপ ওইরগনি।


RM SCHOOL

Under the Aegis of

RM BOARDING since 2001

KWAKEITHEL HEINOUKHONGNEMBI, NEAR EDHOU NONGSABA

ADMISSION OPEN

PRE-NURSERY TO CLASS-VII



Athoiba Sougaijam
S/o Ronel Sougaijam
Kwakeithel Lamdong Leikai, Manipur

First Come First Serve for Pre-Nursery & Nursery

ADMISSION OPEN FOR BOARDING (BOYS)
Class: II - VII

মমা-মপানা RM School গী মরমদা করি হায়রি ....

RM School is just like a clinic for students to extract their hidden talent. অঙাংশিংবু মখোঙ শেংনা তাকপীবা, ক্লাস অমদা ছাত্র ৩৫ খক্তং থম্বীবসে য়াম্না নুংঙাই। ছাত্রশিংসে হরাও হরাও স্কুল চৎনিংহল্লী, Syllabus & Curiculumn অসি St. Johseph অমদি Little Flower গা মান্নহনবসি য়াম্না নুংঙাই। Medical, IIT গী Formate হাপ্লীবসি য়াম্না ফৈ।

Bring your child for IQ Test

The Best Upcoming School in Manipur

HL-B/3576/12



ꯀꯣꯟ/ SERVICE IDENTITY CARD LOST

I have lost my Service Identity Card of Manipur Police bearing Constable No. 0908371 issued by Manipur Police Department on the way from Thoubal to Lilong on 11/01/2017. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- Sinam Sanatomba Singh
S/o (L) S. Tombinou Singh
Kiyam Siphai Mamang Leikai, Thoubal

HL-P/0289/12



B.C.C. Manipur

Under the guidance of BOSEM/COHSEM Estd. 1995

KAKWA ASEM LEIKAI, NEAR OIL PUMP

The Longest Coaching Centre in Manipur & 22 years service

Run by Resource Persons and Examiners of BOSEM & COHSEM

ADMISSION OPEN

CLASS X, XI & XII Sc REVISION COURSE

(Separate class - CBSE & COHSEM)

Sub: X (All subject), XI & XII Sc ( Phy, Che, Bio, Maths, Eng, )

CLASS IX & X FOUNDATION COURSE 2016-17

Class Timing : Morning : 7:00 am to 9:00 am
Evening : 4:30 pm to 7:30 pm

Please Contact:
Office of the BCC Manipur
Elite Senior Sec. School Building

Hostel & Van Service facilities # 9615385953 / 8731833072

HL-B/3564/23/12-22/01



THE LITTLE MASTER ENGLISH HIGHER SECONDARY SCHOOL, SHAMUROU

(Recognised by Govt. of Manipur)

The Biggest Co-educational Residential School in Manipur

ADMISSION OPEN

FOR 2016-17 SESSION

(NURSERY TO CLASS X)

INPUT

School Admission fee

| | |
|---|---|
| Nursery- | -Rs. 900/- (1 bag free) |
| Kg. | - Rs.1100/- |
| Class-I | - Rs.1300/- |
| Clsss -II | - Rs.1400/- |
| Class-III | - Rs.1500/- |
| Class-IV | - Rs.1600/- |
| Class -V | - Rs.1700/- |
| Class -VI | - Rs.1800/- |
| Class-VII | - Rs.1900/- |
| Class -VIII | - Rs.2000/- |
| Class-IX | - Rs.2100/- |
| Class -X | - Rs.2200/- |

School Boarding Fee

| Class | Girls | Boys |
|---|---|---|
| Nursery | Rs. 1600/- | Rs. 1700/- |
| K.G & I | Rs. 1650/- | Rs. 1750/- |
| II,III,IV | Rs. 1700/- | Rs. 1800/- |
| V,VI | Rs. 1750/- | Rs. 1850/- |
| VII, VIII | Rs. 1800/- | Rs.1900/- |
| IX-XII | Rs. 1900/- | Rs. 2000/- |

N.B.1. No school tuition fee for 3rd student of same parent.
2. Half Boarding fee for 3rd student of same parent.

OUTPUT

40 + Position holders in both HSLCE & HSE
70 + Selection in Medical and Engineering Exams so far
200 + officers in Various state and Central Govt. Departments.

1. YM. Sabir (Indian Foreign Service, IFS)
2. Hidam Kumarjit Singh, Asstt. Proff. G.U.
3. M. Indrakumar (Deputy Comdtt. CRPF)
4. M. Okendrajit (Asstt. Comdtt. CISF)
5. Thangjam Sanatomba (MPS-2014)
6. Moirangmayum Bishworjit (MPS-2014)
7. Md. Firoz Khan (MCS-2014)
8. Abujam Romen Singh (MCS-2014)
9. Sorokhaibam Imosana (MCS)
10. Oinam Sandhyarani (Asst. Comdtt. CRPF)
11. Oinam Nungshitombi (Lieutenant, Indian Army)
12. Shougrakpam Prakasah (Manager, Bank of India)
13. Baghatchand (Branch Manager, C.B.I.)
14. Oinam Khogen Singh (Manager, Bank of India)
15. Mutum Romapati (Captain Indian Army)
16. Dr. Loitongbam Usharani (M.O.)
17. Dr. Abujam Indrajit Singh, (Asstt. Proff, JNIMS)
18. Dr. Laishram Ayingbi (M.O)
19. Dr. Yanglem Elizabeth (M.O)
20. Dr. O. Chingkheileima (M.O)
21. Dr. Yumnam Bidyaluxmi (M.O)
22. Dr. Longjam Anil (M.O)
23. Dr. Leishangthem Reena (M.O)
24. Dr. Moirangmayum Sadananda (M.O)
25. Dr. Shapam Anuradha (M.O)
26. Dr. Laishram Nungshitombi (M.O)
27. Dr. Tekcham Tampha (M.O)
28. Dr. Moirangmayum Omilakumari (M.O)
29. Dr. Malemnganba Laishram (M.O)
30. Dr. Thingujam Surbala (M.O)
31. Dr. Sanarose (M.O)
32. Dr. Ym. Amir (M.O)
33. Dr. Laishram Kamala Devi (M.O)
34. Dr. Abella Moirangmayum (M.O.State Employer Hospital, Delhi)
35. Dr. Longjam Chittaranjan Singh (M.O.)
36. Dr. Laishram Chittaranjan Singh (RIMS)
37. Dr. Laishram Subashini Devi (Deen Dayal Delhi)
38. Dr. Naorem Sunita Devi(NGRIMS)
39. Dr. Heisnam Lily Devi (M.O.)
40. Dr. Ph. Nandakumar Singh (M.O.)
41. Dr. Md. Burhanuddin (Lecturer Johnston Hr.Sec.)
42. Dr. Jubeda (M.O)

And many more..........

HSLC Examination Toppers 2016

| | 1. L. Amarjit Meitei. | 2. Yasir Arafat | 3. M. Ronaldo | 4. M. Inunganbi |
|---|---|---|---|---|
| Mark obtained | 506 | 499 | 485 | 480 |
| Letter Marks | ( MIL,Maths,Sc.,S/Sc, Com.) | (MIL,Maths,Sc.,S/Sc.) | ( Com. MIL,Maths,Sc.) | (MIL,English,Maths.) |

For comments & Suggestions : Okendrajit83@gmail. com ✆ 8794904305

HL-P/0277/10-20



SCM
S.CHAOBA MEMORIAL BOARDING SCHOOL

SINGJAMEI KONGBA ROAD IMPHAL EAST (NEAR SINGJAMEI BRIDGE)

NO DEPOSIT SYSTEM
NO LOADGING CHARGES

ADMISSION OPEN

VAN SERVICE WANTED




✆ +91 8974 052 662



Founder Principal
MA Gold Medalist & BT
Retired Lecture, Ram Lal Paul Hr. Sec. School

Fee Structure for Boarders to be paid at the time of Admission for boarders

| | Annual Fee Structure | | | | Monthly |
|---|---|---|---|---|---|
| Class | Admission | School Fee | Caution Money | Total(1 year) | Mess Fee |
| Nursery - Class II | 1600(admission+games+exam) | 400x12=4800 | 500 | 6900 | 2700 |
| Class III - Class V | 3000(admission+computer+games+exam) | 500x12=6000 | 500 | 9500 | 2900 |
| Class VI - Class VIII | 3000(admission+computer+games+exam) | 500x12=6000 | 500 | 9500 | 3000 |
| Class IX & X | 3200(admission+games+exam) | 600x12=7200 | 500 | 10900 | 3100 |

Fee Structure for Day-scholars

| Dayschool students | Annual Fee Structure | | Monthly |
|---|---|---|---|
| Class | Admission | Other Expenses | Total |
| Pre-Nursery | FREE | 500(games+exam) | 400 |
| Nursery - Class II | 1600(admission+games+exam) | NA | 400 |
| Class III - Class VIII | 3000(admission+computer+games+exam) | NA | 500 |
| Class IX & X | 3200(admission+games+exam) | NA | 600 |

Facilities :
1. Free washing clothes for all classes
2. Medical care for all students by two specialist doctors from founder's family 24X7
3. Free monthly school tuition fee for one out of three students of same parents.
4. Half school tuition fee for one out of two students of the same parents.
5. Facility for YOGA,Thang-ta classes at the school campus.
6. Free tution fee of class IX & X talented students scoring 80% marks.
7. Scholarship for first position holders of every classes.
8. One boarding master for every 25(Twenty five) students with strict discipline.
9. Founder and Boarders take meal on the same dinning table and available aqua fresh water.

HL-B/3548/21/12-20/01



লায়েংজরি

UMA AYURVEDIC CLINIC (DR.(VAID) R N GUPTA)

উনশাগী লায়না, অঙৌবা পকপা, নুংশং, গ্যাষ্টিক, ফিনুংগী অনাবশিং, নাকোংগী প্রোব্লেম, শমগী প্রোব্লেম, তাং-তাং চিকপা অমসুং খ্বাং নাবা অসিনচিংবা অনাৱশিং

(অঙৌবা পকপা)
হৌজিক অঙৌবা পকপগীদমক থোইদোক্না ৱানিংঙাই লৈত্রে। অঙৌবা পকপশিংগীদমক্তা অফবা মখলগী হীদাকশিং শিজিন্নদুনা চাউনা মায় পাক্লা লায়েংজরি। উনশাগী মহৌশাগী কুচু মাঙবা নৎত্রগা মখল খুদিংমক্কী উনশাগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। মায়হিং, স্কিন, অজমা, উরিং, মায় চাথৎপা স্কিন দিজিজ লায়েংজরি।

(তাং-তাং চিকপা)
তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিথবা, মশল পাবা, খুৎ হায়গৎপা ঙমদবা, থবাক নাবা, মীহুন কা হেন্না চোংবা, থবাক খেবা, শ্বর ফুনবনচিংবগীদমক ৱাবীরুগনু য়াম্না থুনা উনবিয়ু তানবীয়ু।

(দাইবেটিসকী প্রোব্লেম)
দাইবেটিসকী সিমতোম লৈরবদি ৱেৎ হন্থরক্কনি। ফম্বী চাং হন্থরক্কনি, মপান তোয়না থোক্কনি, হকচাংগী পাঙ্গল শোন্থারক্কনি। হায়রিবা প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা লাকপীদুনা তানবীয়ু।

(নুংশং)
নুংশং, ঈ-তাবা, চাথৎপা, পোন্থা, হাকৎচবা, নুংশং কক্লাইনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেশন তৌদনা হীদাক শিজিন্নরগা পুংফ ফহনবা ঙম্লে।

(গ্যাষ্টিক্কী প্রোব্লেম)
পুক নুংশিৎ কাবা, চাব-থকপা তুমদবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোঙ হাম্বা নুংঙাইতবা অসিগুম্বগী প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা লাকপীদুনা তানবিয়ু।

নুপা-নুপী অনীগী পুন্সি নুংঙাইনা লেনবা ওইবিয়ু

(নুপাগী প্রোব্লেম)
ফম্বী পাবা, নুপাগী ফম্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কছা চৎপা, ঈশিং চৎপা অমদি অমাংবগা লোয়ননা কছা চৎপা, ফিনুংদা হাক্কচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থবা তারবদি অথুবা মতমদা কন্টেক্ট তৌবিয়ু অমদি উনবিয়ু।

(নুপীগী প্রোব্লেম)
নুপীগী ফিঙৌ চৎপা, থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা অদুগা চাং হেন্না নৎত্রগা ৱাৎনা চৎপা, মনম নমথিবা, হকচাং মনুংদা হাক্কচবা ফুরি থুংবা অমদি অতৈ লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে।

(নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম)
না তাদবা নাকোংদা ঙংদুনা লৈবা, হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমসুং অতোপ্পা মখলগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। সাইনসকী প্রোব্লেম, নাতোন ফুনবা, শ্বর হোনবদা ৱাবা, হকথি তোয়না খনবা, নপ মহী তাবা অসিনচিংবা তৌবিরবদি ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা তানবীয়ু।

(শমগী প্রোব্লেম)
শম কেনবা, পোক হৌবা, শমজাবী, চহী চাদনা নৌনা পোক হৌবা, কোক শাবা হাক্কচবা অসিনচিংবা লায়ওংশিং অসিগীসু অথুবা মতমদা তানবীয়ু।

HOW TO GIVE UP WINE
If you or your adict want to give up wine. If you want to return happiness in your family then please use our "VISH MUKTI" Powder. You can give it with meal, vegitables or tea without telling him.

HOW TO CONTROL SUGAR LEVEL
If you want to control diabeties, then please use our sugar nil. Your sugar level will be control very soon. You can give up insulin, price Rs. 210/-

DR.(VAID) R N GUPTA (396),
Khuyathong Road, Kwality Wall Ice Cream
Building 1st Floor, Opposite Senapati Bus Parking,

HL-B/3587/03/01-02/02